অঙাংশিংগী বাইবল

খুদোল তমজরি

# শেম্বীবা মপুনা পোৎ পুম্নমক শেমখি



অইবা: Edward Hughes
অয়েকপা: Byron Unger; Lazarus; Alastair P.
শেমদোকপা: Bob Davies; Tammy S.
হন্দোকপা: মধুচন্দ্রা মোইরাংথেম
পুথোকপা: Bible for Children
www.M1914.org

BFC
PO Box 3
Winnipeg, MB R3C 2G1
Canada

©2021 Bible for Children, Inc.
অয়াবা পীবা: লাইরিক মচাকশিং অসি নহাক্না নমথোকপা য়াই
অদুবু য়োন্দুনা শেন্দান লম্বী ওইনা শীজিন্নবা য়াদে।

কনানা ঐখোয়বু শেমলম্মি? শেম্বীবা মপুগী ৱাহৈ, বাইবলনা মীওইবা ফুরুপ মতৌ করম্না হৌরকখি হায়বা তাকপি। থাইনা মমাংঙৈদা, শেম্বীবা মপুনা মী অমা ইহান হান্না শেমখি, মহাক্কী মমিং অদম কৌরম্মি। শেম্বীবা মপুনা অদমবু মালেমগী উফুলদগী শেমখি। শেম্বীবা মপুনা অদমদা অহিংবা নুংশাস্বর কামশিনবিদুনা অহিংবা ওইহনখি। অদম ফজরবা ইদেন কৌবা লৈকোল অমগী মনুংদা লৈরম্মি।



শেম্বীবা মপুনা অদম শেমদ্রিঙৈ মমাংদা, মহাক্না অঙকপনা থল্লবা ফজরবা মালেম অমা শেমখি। শেম্বীবা মপুনা অমম্মতা ওইনা চিঙ অমসুং তম্পাক শেমখি, মনম নুংশিবা লৈরাংশিং অমসুং অৱাংবা ঊ-পাম্বীশিং হৌহনখি, ফজরবা উচেক অমসুং ঙঙদুনা পাইরিবা খোইশিং, চাংজৌরেন ময়াইদা শান্নরিবা অচৌবা ঙাশিং অমসুং তনান-তনানবা থারোইশিং শেমখি।



ইহান হানবদা, শেম্বীবা মপুনা করিগুম্বা অমতা শেমদ্রিঙৈ
মমাংদা, শেম্বীবা মপু নত্তনা করি অমতা লৈরমদে।
মী নত্রগা মফম নত্রগা পোৎ অমতা লৈরমদে।
করি অমতা লৈরমদে। মঙাল লৈরমদে
অমসুং ইম্ম মমলম্মি। অকুৎ-অতোং
অমতা লৈরমদে। ঙরাং হয়েং
হায়বা অমতা লৈরমদে।
অহৌবা নাইদবা শেম্বীবা মপু
খক্তা লৈরম্মি। অদুগী মতুংদা
শেম্বীবা মপুনা শেম্বা হৌখি। ইহান
হানবদা, শেম্বীবা মপুনা মালেম
অমসুং অতিয়া শেমখি।



অদুগা মালেমগী মওং লৈরমদে অমসুং ইহাং হাংলম্মি। অমসুং অমম্বনা পুম্মম-মম্না কুপশিন্দুনা লৈরম্মি। অদুগী মতুংদা শেম্বীবা মপুনা হায়খি। “মঙাল লৈসনু।”



অদুগা মঙাল ওইরকখি। শেন্বীবা মপুনা মঙাল অদুবু নুংথিল কৌরম্মি অমসুং অমম্বা অদুনা অহিং কৌরম্মি। অসুম্না অহানবা নুমিৎকী নুমিদাং ৱাইরম অমসুং অয়ুক ওইরম্মি।



নিনি শুবা নুমিত্তা, শেম্বীবা মপুনা সোরারেনগী মখাদা অচৌবা ঈপাক্কী ঈশিং, চাংজৌরেন অমসুং পাৎশিং শেমলম্মি। হৌমনি শুবা নুমিত্তা, শেম্বীবা মপুনা হায়রম্মি, "অকংবা লম ওল্লু।" অদুগা মদু ওইরকখি।



শেম্বীবা মপুনা নাপী অমদি লৈ অমসুং উপাল-হৈপালশিং ওইরকনবা য়াথং পিখি। অদুগা মদু ওইরকখি। অসুম্না হুমনি শুবা নুমিৎকী নুমিদাং ৱাইরম অমসুং অয়ুক ওইরম্মি।



অদুগী মতুংদা শেম্বীবা মপুনা নুমিৎ অমসুং থা শেমলম্মি অমসুং মশিং থিঙমদ্রবা থব্লানমিচাক কয়া শেমখি।  অসুম্না মরিনি শুবা নুমিৎকী নুমিদাং ব্লাইরম অমসুং অয়ুক ওইরম্মি।





শেম্বীবা মপুনা মথং মথং শেমলকপদা, মখা তারকপদা, চাংজৌরেন্দা হিংলিবা লেঙলি-পাল্লিবা মথৱায় পানবশিং অমদি ঙা অমসুং উচেকশিং শেমখি। মঙা শুবা নুমিৎতা, শেম্বীবা মপুনা মচিন কবাক থাং মানবা স্ৱার্দফিশ হায়না খঙনবা অচৌবা ঙা অমসুং সর্দাইন হায়না খঙনবা অপিকপা ঙাশিং, মখোঙ য়াম্না শাংবা ওসত্রিচ অমসুং ঈশৈ ঙঙদুনা শকপা উচেকশিং শেমখি।



শেম্বীবা মপুনা
মালেমদা লৈরিবা
ঈশিং অপুম্বদা লৈনবা
তোঙান তোঙানবা
ঙাশিং অদুগা মালেম
অমদি চাংজৌরেন্দা
অমসুং অহাংবা
অতিয়াদা নুংঙাইনা
লৈনবা তোঙান
তোঙানবা উচেক
শেমলম্মি। অসুম্না
মঙা শুবা নুমিৎকী
নুমিদাং ৱাইরম অমসুং



অদুগী মতুংদা, শেম্বীবা মপুনা অমুক হায়রম্মি।  মহাক্না হায়রম্মি, “মালেমদা মথৱায় পানবা লৈসনু...” অদুদগী তোঙান তোঙানবা মথৱায় পানবশিং অমসুং তিন-কাং অমসুং মপুক্না শিংতুনা চংপা মথৱায় পানবশিং লৈবা হৌরকখি| মপাঙ্গল য়াম্না কল্লবা শমু অমসুং মথৌ লেপ্পা লৈতনা থবক তৌবা শাবি লৈবা হৌরকখি। শাথিবা য়োং  অমসুং মরৌ য়াম্না হৈবা গুমভীর য়াওরম্মি। লৈবাক্তা লৈবা  তিল অমসুং খৈরোয় য়াওরম্মি| মরেপ য়াম্না ৱাংবা জিরাফ অমসুং খোঞ্জেল ইংনা খোংবা হৌদোং য়াওরম্মি। নুমিৎ অদুদা শেম্বীবা মপুনা শা মখল শুনা শেমলম্মি। অসুম্না তরুক শুবা নুমিৎকী নুমিদাং ৱাইরম অমসুং অয়ুক ওইরম্মি।



শেম্বীবা মপুনা তরুক শুবা নুমিত্তা য়াম্না মরু ওইবা থবক অমা তৌরম্মি। মতম অদুদা নিপা অদুগী দমক পোৎ খুদিংমক থৌরাং তৌবা লোইরম্মি। চানবা চীঞ্জাক লৌবুক্তা হৌরম্মি অমসুং শাশিংনা মহাক্কী মতেং পাংনবা শেমদুনা লৈরম্মি। অদুগা শেম্বীবা মপুনা হায়খি, "তাইবং মী ঐখোয়গী শকলোন লৌদুনা শেমসি। অদুগা মহাক্না মালেমদা লৈরিবা পোৎ খুদিংগী মথক্তা মপু ওইনা  পানবা ওইসনু"।



**মতৌ অসুম্না শেম্বীবা মপুনা মহাক্কী শকলোন লৌদুনা নিপা অমা শেমখি; শেম্বীবা মপুগী শকলোন্দা মহাক্না মহাকপু শেমখি।**

শেম্বীবা মপুনা আদমদা ব্রা ঙাঙলম্মি। “নঙনা লৈকোল অসিদগী অপাম্বা খুদিং চাবা য়াই। অদুবু অফবা অমসুং ফত্তবা লৌশিংগী উহৈ অসিদি চাবা য়াদে, চাগনু। করিগুম্বা নঙনা মদু চারবা নহাক শোইদনা শিগনি”।



অদুগা শেম্বীবা মপুনা হায়রম্মি, “নিপা মতোমতা লৈবা ফত্তে। অদুনা ঐনা মহাক্কী তেংবাংবা অমা শেমগে”। শেম্বীবা মপুনা অদমগী মনাক্তা উচেকশিং অমসুং শাশিং অপুম্বা পুরক্লম্মি। অদুগা অদমনা মখোয় খুদিংগী মমিং থোনখি। মহাক্না মদু তৌবা মতমদা য়াম্না হৈ-শিংনা তৌরমগনি। অদুবু উচেক অমসুং শাশিংগী মরক্তা অদমগী দমক মপাং ওইবা য়াবা অমতা লৈরমদে।



শেম্বীবা মপুনা অদমবু তুমখুন তানা তুমহল্লম্মি। অদুগা শেম্বীবা মপুনা অদমদগী শারু অমা লৌথোক্লগা নুপী অমা শেমখি। শেম্বীবা মপুনা শেম্বা নুপী অদু অদমগী দমক খ্বাইদগী চানবা মপাং অমা ওইরম্মি।



শেম্বীবা মপুনা নুমিৎ তরুক্তা পুন্নমক শেমলম্মি। অদুগা শেম্বীবা মপুনা তরেৎনি শুবা নুমিৎ থৌজালবিখি অমসুং মদু পোখাবা নুমিৎ ওইহনখি। অদম অমসুং মহাক্কী নুপী ঈভ, এদেনগী লৈকোন্দা শেম্বীবা মপুগী য়াথং ইন্দুনা নুংঙাইনা লৈরম্মি। শেম্বীবা মপু মখোয়গী মপুরোই, মখোয়গী অৱাৎপা খুদিং পিবিবা অমসুং মখোয়গী মরুপ ওইরম্মি।



শেম্বীবা মপুনা পোৎ পুন্নমক শেমখি

শেম্বীবা মপুগী ৱাহৈ, বাইবলদা য়াওবা ৱারী

অসিদা ফঙই

মৈহৌরোন 1 - 2

“নহাক্কী ৱাহৈ চঙলকপদা মঙাল ফঙই।”
ঈশৈ লাইরিক 119:130

অরোইবা

1

60

বাইবলগী ৱারী অসিনা মতিক-মঙালনা
থল্লবা ঐখোয়গী শেম্বীবা মপুগী মরমদা অমসুং ইবুংঙো মহাকপু
ঐখোয়না মশক খঙবা মহাক্না পাম্মি হায়বগী মরমদা ঐখোয়দা তাকপি।

শেম্বীবা মপুনা অয়োন-অরান হায়না কৌবা ফত্তবা থবকশিং ঐখোয়না তৌরে হায়বা
ইবুংঙো মহাক্না খঙই। অয়োন-অরানগী অতৌমলদি শিবনি, অদুবু শেম্বীবা মপুনা নহাকপু
অসুক্কী মতিক নুংশিবী মরম অদুনা মহাক্কী অমতা ঙাইরবা মচানিপা যীশুবু নহাক্কী অয়োন-অরানগী
উশিন ওইনা উ-কারোং মথক্তা শিবিনবা থাবিরে। অদুগা যীশুনা অমুক শিবদগী হিংগৎতুনা
সোরারেন্দা কাখি! নহাক্না যীশুবু থাজরবদি অমসুং নহাক্কী অয়োন-অরানশিং কোকপিয়ু হায়না
মঙোন্দা হায়জরবদি, মহাক্না শোইদনা কোকপিগনি! মহাক নঙগী পূন্সিদা
লাক্কনি অমসুং মহাক্কা লোইননা লোম্বা নাইদনা হিংমিন্নবা ফঙগনি।

নঙনা মসি অচুম্বনি হায়না থাজরবদি, অসুম্না শেম্বীবা মপুদা হায়জৌ: নুংশিরবা যীশু,
ঐ নহাকপু শেম্বীবা মপুনি হায়বা থাজে, নহাক্না তাইবংপান্দা মী ওইনা লাক্তুনা ঐগী
অয়োন-অরানগী দমক শিবি অমসুং শিবদগী হিংগৎখি। ঐগী পূন্সিদা লাকপিয়ু অদুগা ঐগী
অয়োন-অরানশিং ঙাকপিয়ু, অদুগা ঐ অনৌবা পূন্সি হৌজিক ফঙজগে অমসুং নহাক্কা
লোইননা লোম্বা নাইদনা হিংবা ফঙজগে। নহাক্কী হায়বা ইনবা নচা অমা
ওইনা হিংবা ঙম্নবা ঐগী ইতেং পাংবিয়ু। অমেন।

নুমিৎ খুদিংগী বাইবল পাও অমসুং শেম্বীবা মপুদা হায়জৌ! যোহান 3:16